ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ফেব্রুৱারী ২১, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৩১৯শুবা মশীং

# নোনেদা হোত্রোং হোরম্বা

## ইকায়বদি অরাইবনি, অনাবশিং শিগদৌরিবনি

ফেব্রুৱারী ১৬, ২০২৩দা নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী লোংমাই কৈথেলশঙদা দিষ্ট্রিক্টসিগী মীয়ামগী অপূনবা, অচৌবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফমদু লোংমাই (নোনে) এরিয়াগী ভিলেজ কাউন্সিলনা শীনবনি। মীফমসিদা আর এন সী এম লোংমাই লুআংগ্রিয়ন, আর এন এল পি লোংমাই, লুআংগ্রিয়ন, নাগা ৱিমেন এসোসিএসন (লোংমাই এরিয়া), ইনপুই নাগা ৱিমেন, লোংমাই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী য়াওনা তোঙান-তোঙানবা নোনেদা বেজ তৌবা সী এস ওশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি। মীফমদু অপীকপা মচা নত্তে অমসুং নোনেগী মীয়াম্না চোন্না তিনখি হায়বদুনা মীফমদুগী মপান্থোংগী ওইবা শক্তমগী ৱানি। অদুবু মীয়ামগী মীফমদুনা য়াম্না হকচিন্না খন্নরগা লৌখিবা ৱারেপশিংদুদি দিষ্ট্রিক্ট অসি মীয়ামগী শিবা-চংবগী লাংদাইদনি। মরমদি লৌখিবা ৱারেপশিংদুগী মনুংদা নোনে পব্লিক হেল্থ সেন্টর (পি ঐচ সী) দা ফেব্রুৱারী ১৬তগী হৌরগা ১৯, ২০২৩ ফাওবগী নুমিৎ ৪নিগী মনুংদা লায়েংশঙসিগী ৱাৎলিবা, মথৌ তাবা ডাক্তর অমসুং ষ্টাফশিং লায়েংশঙসিদা লৈহল্লু, দিষ্ট্রিক্টসিদা লৈবা বিল্ডিং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা ডাক্তর অমদি মথৌ তাবা ষ্টাফশিং লৈহনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমগী থাক্তা খুদোংচাবা ফংহল্লু, অথুবদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগৎলু, মথৌ পাঙথোক্কদবা লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন অমসুং নর্সশিং লৌদুনা লায়েংশঙদা লৈহল্লু লোয়ননা দিষ্ট্রিক্টসিদা মীওইবগী পুন্সি কনবদা মতেং ওইগদৌরিবা এম্বুলেন্স সর্ভিস মথৌ তৌহল্লু হায়বসিনি। মীয়ামগী মীফমদুনা লৌখ্রিবা ৱারেপশিং অসিনা তাক্লিবদি কুমজা ২০১৬কী অরোইবা শরুক্তগী মপূং ফাবা রেভন্যু দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরকখ্রবা নোনে দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিক ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল লৈত্রি হায়বনি। অদুগা লৈরিবা পব্লিক হেল্থ সেন্টর অসিগীসু লৈফম থোক্লবা ডাক্তর, নর্স, লেবোরেটরি টেক্নিসিয়নশিং শুনা লৈত্রি। পূম্নমকসিগী মথক্তা এম্বুলেন্স সর্ভিসকী কান্নবসু মতম কয়াগী মমাঙদগী ফংলক্ত্রে হায়বসিনি।

হায়রিবশিং অসিগী ৱাহন্থোক্তি নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা মীয়ামগী অনা-লায়েংগী হায়বদি হেল্থকেয়র সর্ভিস সিষ্টম হোত্রোং হোরে হায়বনি। মসিমক্তি ঙাইহাক লৈতনা চীংগা-তমগা থোং মান্নবা চাওখৎহল্লে অমসুং ইনক্লুসিভ দিভেলপমেন্ট পুরক্লে হায়রিবা লৈঙাক্কী খরক্তগী নোনে দিষ্ট্রিক্ট লিৎথহৌবদৌনা তৌই। মসিদি চুমদে। দিষ্ট্রিক্ট অমা চাওখৎহনবা হায়বসিদা সেক্টর কয়াসু মথ্বায় পালহন্দুনা মপূং ফাহনবা চঙই হায়বসি ককপা য়াররোইদবা পুমচুম চুম্লবা ৱাফমনি। অদুবু সেক্টর ময়ামদুগী মনুংদা হেল্থ সেক্টর হায়বসিনা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামগী পুন্সিগা হকথেংনবা খ্বাইদগী মরু ওইবা সেক্টরনি। দিষ্ট্রিক্টসিগী মীয়াম্না কুম পুরবা লায়নাশিংগা শাগোন্নদুনা হামচৎ-হাম্বোইননা হিংলগা অতৈ হিংবগা মরী লৈনবা সেক্টরশিংদি কদাই ফাওবা মঙম শালহনবা ঙমগদৌরিবগে? ফিভমসিদি ইকায়নীংঙাইনি হায়বদুবুদি করিসু নত্তে। নোনেগী মীয়ামদি নারক-য়েক্লকপগা শেম্বীরকপা মপুগী মনাক্তা প্রপ-প্রপ য়ৌবা ঙমহনগদৌরিবনি। অদুবু ওইহল্লক্লিবা ফিভমসিবু করিদগীনো? লৈবাকসিগী আয়ুসমান ভারত, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাংনচিংবা চরোং অমনা নম্বো পোরগসু লায়েংশঙগী মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর/ইক্কিপমেন্ট ৱাৎলবা, ডাক্তর অমসুং নর্সশিং শুনা লৈত্রগদি 'হেল্থ ফোর ওল' গী পান্দমশিং নুংশিৎ মায়রম লশিং কাপ্পগী ফিভমদা তারক্লোইদ্রা হায়বগী ৱানি। হৌজিক ফাওবদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবশিং চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মপূং ফানা ফংহনবা ঙমদ্রে হায়বসিদি হায়রকফম থোক্তবা ৱাফমনি। মস্বাইদা অৱাই-অখুম তৌনবা অচুম্বা ওইরোই। ৱারেপ লৌখ্রিবা নোনেগী লূপ কয়াগী মীয়াম্না নুমিৎ ৪নি হায়দুনা থারিবা মতমসিগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি তূমিন্না লৈথোক্লোই হায়বা ৱাফমসু য়াওবনি। রেল লম্বী শেম্বগী থবক য়াওনা এন ঐচ আই দি সী এলনা হায়ব্রে পাকথোকপগী পায়খৎলক্লিবা থবকশিংসু পুল্লপ থিংজিল্লক্কনি হায়বনি। ৱাথোক চাওথোরক্ত্রিঙৈদা করি-করিনো অঙম্বা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হোৎনহৌবনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি।

# ꯅꯣꯅꯦꯗ ꯍꯣꯠꯔꯣꯡ ꯍꯣꯔꯝꯕ

## ꯏꯀꯥꯏꯕꯗꯤ ꯑꯔꯥꯏꯕꯅꯤ, ꯑꯅꯥꯕꯁꯤꯡ ꯁꯤꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ

ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯳ ꯗ ꯅꯣꯅꯦ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯍꯦꯗ ꯀ꯭ꯋꯥꯔꯇꯔꯒꯤ ꯂꯣꯡꯃꯥꯏ ꯀꯩꯊꯦꯜꯁꯪꯗ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯑꯄꯨꯟꯕ, ꯑꯆꯧꯕ ꯃꯤꯐꯝ ꯑꯃꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯤꯐꯝꯗꯨ ꯂꯣꯡꯃꯥꯏ (ꯅꯣꯅꯦ) ꯑꯦꯔꯤꯌꯥꯒꯤ ꯚꯤꯂꯦꯖ ꯀꯥꯎꯟꯁꯤꯂꯅꯥ ꯁꯤꯟꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯐꯝꯁꯤꯗ ꯑꯥꯔ ꯑꯦꯟ ꯁꯤ ꯑꯦꯝ ꯂꯣꯡꯃꯥꯏ ꯂꯨꯑꯥꯡꯒ꯭ꯔꯤꯌꯟ, ꯑꯥꯔ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯜ ꯄꯤ ꯂꯣꯡꯃꯥꯏ, ꯂꯨꯑꯥꯡꯒ꯭ꯔꯤꯌꯟ, ꯅꯥꯒꯥ ꯋꯤꯃꯦꯟ ꯑꯦꯁꯣꯁꯤꯑꯦꯁꯟ (ꯂꯣꯡꯃꯥꯏ ꯑꯦꯔꯤꯌꯥ), ꯏꯅꯄꯨꯏ ꯅꯥꯒꯥ ꯋꯤꯃꯦꯟ, ꯂꯣꯡꯃꯥꯏ ꯁ꯭ꯇꯨꯗꯦꯟꯇꯁ ꯌꯨꯅꯤꯌꯅꯒꯤ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯇꯣꯉꯥꯟ-ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯅꯣꯅꯦꯗ ꯕꯦꯖ ꯇꯧꯕ ꯁꯤ ꯑꯦꯁ ꯑꯣꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡꯅꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯈꯤ꯫ ꯃꯤꯐꯝꯗꯨ ꯑꯄꯤꯀꯄ ꯃꯆꯥ ꯅꯇꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯣꯅꯦꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯆꯣꯟꯅꯥ ꯇꯤꯅꯈꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯅꯥ ꯃꯤꯐꯝꯗꯨꯒꯤ ꯃꯄꯥꯟꯊꯣꯡꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯁꯛꯇꯝꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯃꯤꯐꯝꯗꯨꯅꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯍꯛꯆꯤꯟꯅꯥ ꯈꯟꯅꯔꯒꯥ ꯂꯧꯈꯤꯕ ꯋꯥꯔꯦꯄꯁꯤꯡꯗꯨꯗꯤ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯁꯤꯕꯥ-ꯆꯪꯕꯒꯤ ꯂꯥꯡꯗꯥꯏꯗꯅꯤ꯫ ꯃꯔꯃꯗꯤ ꯂꯧꯈꯤꯕ ꯋꯥꯔꯦꯄꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯅꯣꯅꯦ ꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯍꯦꯜꯊ ꯁꯦꯟꯇꯔ (ꯄꯤ ꯑꯩꯆ ꯁꯤ) ꯗ ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯶ꯇꯒꯤ ꯍꯧꯔꯒꯥ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯳ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯴ꯅꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯂꯥꯌꯦꯡꯁꯪꯁꯤꯒꯤ ꯋꯥꯠꯂꯤꯕ, ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕ ꯗꯥꯛꯇꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁ꯭ꯇꯥꯐꯁꯤꯡ ꯂꯥꯌꯦꯡꯁꯪꯁꯤꯗ ꯂꯩꯍꯜꯂꯨ, ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯗ ꯂꯩꯕ ꯕꯤꯜꯗꯤꯡ ꯏꯅꯐ꯭ꯔꯥꯁ꯭ꯠꯔꯛꯆꯔꯁꯤꯡꯗ ꯗꯥꯛꯇꯔ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕ ꯁ꯭ꯇꯥꯐꯁꯤꯡ ꯂꯩꯍꯟꯕꯒꯥ ꯂꯣꯌꯅꯅꯥ ꯑꯊꯨꯕ ꯃꯇꯃꯗ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯍꯣꯁ꯭ꯄꯤꯇꯥꯜ ꯑꯃꯒꯤ ꯊꯥꯛꯇꯥ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯐꯪꯍꯜꯂꯨ, ꯑꯊꯨꯕꯗ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯍꯣꯁ꯭ꯄꯤꯇꯥꯜ ꯁꯥꯒꯠꯂꯨ, ꯃꯊꯧ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕ ꯂꯦꯕꯣꯔꯦꯇꯔꯤ ꯇꯦꯛꯅꯤꯁꯤꯌꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯔꯁꯁꯤꯡ ꯂꯧꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯌꯦꯡꯁꯪꯗ ꯂꯩꯍꯜꯂꯨ ꯂꯣꯌꯅꯅꯥ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯗ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯀꯟꯕꯗ ꯃꯇꯦꯡ ꯑꯣꯏꯒꯗꯧꯔꯤꯕ ꯑꯦꯝꯕꯨꯂꯦꯟꯁ ꯁꯔꯚꯤꯁ ꯃꯊꯧ ꯇꯧꯍꯜꯂꯨ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯃꯤꯐꯝꯗꯨꯅꯥ ꯂꯧꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯋꯥꯔꯦꯄꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯇꯥꯛꯂꯤꯕꯗꯤ ꯀꯨꯝꯖꯥ ꯲꯰꯱꯶ꯀꯤ ꯑꯔꯣꯏꯕ ꯁꯔꯨꯛꯀꯤ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯕ ꯔꯦꯚꯦꯅꯌꯨ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯀꯈ꯭ꯔꯕ ꯅꯣꯅꯦ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯇꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯗ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯍꯣꯁ꯭ꯄꯤꯇꯥꯜ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯍꯦꯜꯊ ꯁꯦꯟꯇꯔ ꯑꯁꯤꯒꯤꯁꯨ ꯂꯩꯐꯝ ꯊꯣꯛꯂꯕ ꯗꯥꯛꯇꯔ, ꯅꯔꯁ, ꯂꯦꯕꯣꯔꯦꯇꯔꯤ ꯇꯦꯛꯅꯤꯁꯤꯌꯅꯁꯤꯡ ꯁꯨꯅꯥ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯤ꯫ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯑꯦꯝꯕꯨꯂꯦꯟꯁ ꯁꯔꯚꯤꯁꯀꯤ ꯀꯟꯅꯕꯁꯨ ꯃꯇꯝ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯒꯤ ꯐꯪꯂꯛꯇ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯅꯤ꯫

ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯋꯥꯍꯟꯊꯣꯛꯇꯤ ꯅꯣꯅꯦ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯍꯦꯗ ꯀ꯭ꯋꯥꯔꯇꯔꯗ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯑꯅꯥ-ꯂꯥꯌꯦꯡꯒꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯤ ꯍꯦꯜꯊꯀꯦꯌꯔ ꯁꯔꯚꯤꯁ ꯁꯤꯁ꯭ꯇꯦꯝ ꯍꯣꯠꯔꯣꯡ ꯍꯣꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯃꯛꯇꯤ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯂꯩꯇꯅꯥ ꯆꯤꯡꯒꯥ-ꯇꯃꯒꯥ ꯊꯣꯡ ꯃꯥꯟꯅꯅꯥ ꯆꯥꯎꯈꯠꯍꯜꯂꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯏꯅꯛꯂꯨꯁꯤꯚ ꯗꯤꯚꯦꯂꯄꯃꯦꯟꯠ ꯄꯨꯔꯛꯂꯦ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯈꯔꯛꯀꯤ ꯅꯣꯅꯦ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯂꯤꯠꯊꯍꯧꯕꯗꯧꯅꯥ ꯇꯧꯏ꯫ ꯃꯁꯤꯗꯤ ꯆꯨꯃꯗꯦ꯫ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯑꯃꯥ ꯆꯥꯎꯈꯠꯍꯟꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗ ꯁꯦꯛꯇꯔ ꯀꯌꯥꯁꯨ ꯃꯊꯋꯥꯌ ꯄꯥꯜꯍꯟꯗꯨꯅꯥ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯍꯟꯕ ꯆꯉꯏ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯀꯀꯄ ꯌꯥꯔꯣꯏꯗꯕ ꯄꯨꯝꯆꯨꯝ ꯆꯨꯝꯂꯕ ꯋꯥꯐꯃꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯁꯦꯛꯇꯔ ꯃꯌꯥꯃꯗꯨꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯍꯦꯜꯊ ꯁꯦꯛꯇꯔ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯅꯥ ꯅꯣꯅꯦ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯀꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯥ ꯍꯛꯊꯦꯡꯅꯕ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕ ꯁꯦꯛꯇꯔꯅꯤ꯫ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯀꯨꯝ ꯄꯨꯔꯕ ꯂꯥꯌꯅꯥꯁꯤꯡꯒꯥ ꯁꯥꯒꯣꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯝꯆꯠ-ꯍꯥꯝꯕꯣꯏꯅꯅꯥ ꯍꯤꯡꯂꯒꯥ ꯑꯇꯩ ꯍꯤꯡꯕꯒꯥ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯁꯦꯛꯇꯔꯁꯤꯡꯗꯤ ꯀꯗꯥꯏ ꯐꯥꯎꯕ ꯃꯉꯝ ꯁꯥꯜꯍꯟꯕ ꯉꯝꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯒꯦ? ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯗꯤ ꯏꯀꯥꯌꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯕꯨꯗꯤ ꯀꯔꯤꯁꯨ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯅꯣꯅꯦꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗꯤ ꯅꯥꯔꯛ-ꯌꯦꯛꯂꯛꯄꯒꯥ ꯁꯦꯝꯕꯤꯔꯛꯄ ꯃꯄꯨꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯄ꯭ꯔꯄ-ꯄ꯭ꯔꯄ ꯌꯧꯕ ꯉꯝꯍꯅꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯛꯂꯤꯕ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯤꯗꯒꯤꯅꯣ? ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯑꯥꯌꯨꯁꯃꯥꯟ ꯚꯥꯔꯠ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔꯒꯤ ꯍꯛꯁꯦꯜꯒꯤ ꯇꯦꯡꯕꯥꯡꯅꯆꯤꯡꯕ ꯆꯔꯣꯡ ꯑꯃꯅꯥ ꯅꯝꯕꯣ ꯄꯣꯔꯒꯁꯨ ꯂꯥꯌꯦꯡꯁꯪꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕ ꯏꯅꯐ꯭ꯔꯥꯁ꯭ꯠꯔꯛꯆꯔ/ꯏꯛꯕꯤꯄꯃꯦꯟꯠ ꯋꯥꯠꯂꯕ, ꯗꯥꯛꯇꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯔꯁꯁꯤꯡ ꯁꯨꯅꯥ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯒꯗꯤ 'ꯍꯦꯜꯊ ꯐꯣꯔ ꯑꯣꯜ' ꯒꯤ ꯄꯥꯟꯗꯃꯁꯤꯡ ꯅꯨꯡꯁꯤꯠ ꯃꯥꯌꯔꯝ ꯂꯁꯤꯡ ꯀꯥꯞꯄꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯇꯥꯔꯛꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯗ ꯑꯅꯥ-ꯂꯥꯌꯦꯡꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕꯁꯤꯡ ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯡꯗ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯅꯥ ꯐꯪꯍꯅꯕ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯍꯥꯌꯔꯀꯐꯝ ꯊꯣꯛꯇꯕ ꯋꯥꯐꯃꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯥꯏꯗ ꯑꯋꯥꯏ-ꯑꯈꯨꯝ ꯇꯧꯅꯕ ꯑꯆꯨꯝꯕ ꯑꯣꯏꯔꯣꯏ꯫ ꯋꯥꯔꯦꯞ ꯂꯧꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯅꯣꯅꯦꯒꯤ ꯂꯨꯞ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯴ꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯊꯥꯔꯤꯕ ꯃꯇꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯊꯕꯛꯇꯥ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯇ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯇꯨꯃꯤꯟꯅꯥ ꯂꯩꯊꯣꯛꯂꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕ ꯋꯥꯐꯃꯁꯨ ꯌꯥꯎꯕꯅꯤ꯫ ꯔꯦꯜ ꯂꯝꯕꯤ ꯁꯦꯝꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯑꯦꯟ ꯑꯩꯆ ꯑꯥꯏ ꯗꯤ ꯁꯤ ꯑꯦꯜꯅꯥ ꯍꯥꯌꯕ꯭ꯔꯦ ꯄꯥꯀꯊꯣꯛꯄꯒꯤ ꯄꯥꯌꯈꯠꯂꯛꯂꯤꯕ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡꯁꯨ ꯄꯨꯜꯂꯞ ꯊꯤꯡꯖꯤꯜꯂꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯋꯥꯊꯣꯛ ꯆꯥꯎꯊꯣꯔꯛꯇ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗ ꯀꯔꯤ-ꯀꯔꯤꯅꯣ ꯑꯉꯝꯕ ꯄꯥꯝꯕꯩ ꯄꯨꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯍꯣꯠꯅꯍꯧꯕꯅꯥ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯑꯐꯕ ꯑꯣꯏꯒꯅꯤ꯫

# মণিপুরদা বি/জি-২০গী মীফমদা খল্লকপা ঐগী ৱাখল

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৪১**

**জিতেন নামৈরাকপম**



নহা ওইরিঙৈ, মহৈ তম্লিঙৈগী মতম হায়গদ্রা আউট বুক, নোবেল, শৈরেং, ৱারেংগী, কোম্মীক্কীসু ওইরো মখল মখলগী লাইরিক কয়া পানরম্মী। মরমদি মতম অদুদা মণিপুরদা ইলেক্ট্রিক্কী বল্ব, ট্যুব লাইট থানবা ইমুং অতাঙবনি। মৈতৈ য়ূমশা ই-না কুপ্পা য়ূম, মমাঙ ইঙ্খোলগী মমাংলা, মখারা, অৱাংরা পুখ্রি (ইকোম) অমমমদি থম্নরম্মী। ইঙ্খোলগী অকোয়বদা লৈপল তাখৎলগা শম্বল্লে, শনৈবী ৱা নৎত্রগা মখল মখলগী ৱাশিং, য়েন্থৌসু ওইরসনু শম্বল খানবা ইকোয় কোয়না থাগনি। মমাঙ ওইবা য়াই, অৱাং ওইবা য়াই ইঙ্খোল অমদি লম্বীগী ফীভম মতুংইন্না কোম্থোং মদুসু ৱানা থিংজিনবা, শৎতোকপা য়াবা মখলগী গেট। ঐখোয়না খঙহৌবদা য়ূমগী অহলশিংনা য়ূমগী অকোয়বদা খাজিল্লিবা লৈবাক তাখৎলিবা, মরু ওইনা কোম্থোংগী পরেংগী অদুগী লৈপল অদু ৱাই শিৎ নান্না তৈবা চৎনরম্মী। লৈপল লৈপলগী ৱাংমদা খোংবাল মচা/অচৌবা, চহী চুপ্পা ঈশিং তুংদুনা মৈতৈ ঙাতনা পৃক-পৃক শৌনা লৈরম্বা, ফাদুনা চানরম্বা মক্তনি। অদুবু ঙসিদি কদাই? ঈশিংগী অৱাবনা মীয়ামদা শাফু পীরে। মণিপুর হৌজিক্তি ঈচাওগা ঈকংগা মায়োক্লবা লমদম হায়বদু ওইরক্লি।

মণিপুরবু অসুম্মাইনা তৌরম্বনে, রেভল্যুসনলা নৎত্রগা ইভোল্যুসন হায়গদৌরিব্রা চহী ৪০/৫০গী মতুং অসিদা অওনবা কয়া লাক্লে। য়ূমশা-কৈশা, লম্বী-থোং, মৈ-ঈশিং, ফিজেৎ-ফিরোল, অচা-অথক, থৌদোক-ৱাথোক অঙকপগী মতৌ হায়বদুনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদা উরকপা-থেংনরকপশিং অদু পুমওন ওল্লে হায়বা য়াই। মসিসু চাওখৎপগী লমজেলদা চেনখৎলকপনি হায়বসু য়াই। মহৌশাগী ফজবা (নেচর বুটি) অমদি আর্টিফিসিএল ব্যুটি অনীসি লমদম অসিদা কন্না মুক্নরক্লি। য়েংবীয়ু অদোম অদোমগী শুমাং থেল্লোংদা, য়েনখা-পনখাদা মনীং-মমাং মতম অদুদা মথন্তা হৌজরম্বা ইশাগী ইখূৎনা থারুদ্রগসু। পেরুক, য়েঞ্জিল, য়েরুম কাইরুম, য়েম্পৎ, মোঞ্জামহৈ, এলাং-কেঙোই করি করিনো মখল মখলগী এঞ্জাং কয়া ? হৌজিকপু মণিপুরগী ইম্ফাল ময়োলদা হায়জরগে লুপা ৫/১০ পীবা ফদিগোম মপুন অমা লৈননবগীদমক য়ূমদগী কার মমল তাঙবা থৌদোক্নরক্লি হায়বসিদা লানগদ্রা? থৌবিয়ু-নুংঙাইবীয়ু। তৌবতবু অদোমদি শোয়দনা শিখিবসু শিদ্রবসু য়াই- মণিপুর, ঙসিগী মতুং চহী ৫/১০সিগী মতুংদা মরু ওইনা মৈতৈ, অখঙ অহৈ শাবা ময়াম লৈরিবশিংগী মচাদি হায়ররোই মশুশিং শুথাংশিং মীগী মখাদা লৈরকপসু য়াই।

য়াম্না নুংঙাই, মণিপুর হায়রেদনা মৈত্রবাক, কংলৈপাক হায়রিবা লমদম অসিমুক নুংঙাইবা মালেমগী মফম কৈদা লৈরিবগে হায়বসি অঙাওবা ঐগী ৱাখলনি খনবীবসু য়াবজ াৎনি। মী হাৎনবদা, করপসন তৌবদা, মীগী মপোৎ মরল মুনবদা অমদি ফত্তবা থবক অমা হেক তৌরকপদা মণিপুরনা মাঙ থাজরগসু মণিপুরমুক নুংঙাইবা, মণিপুরমুক ক্লাইমেটিক কন্দিসন অমদি নেচরগা লোয়নদুনতা লাক্লবা অসিগুম্বা মফম অমা মালেমগী করম্বা মফমদা লৈরিবগে। খুদম অমত্তং পীজগে মদুসু য়াম্না লায়বনি। ইম্ফালগী এয়রপোর্টতগী এরোপ্লেন তোংদুনা চৎলবা মতুং গুৱাহাটিরা কোলকটারা নৎত্রগা ন্যু দেল্লীদা এয়রক্রাফ্টনা লেন্দিং তৌরবা মতুং, এয়র হোষ্টেস হায়গদ্রা ক্রু মেম্বর মখোয়না এরোপ্লেন থোঙ হেক হাংদোকপা মতমদা ইম্ফালদা নৎত্রগা মণিপুরদা নন্নকপা মনম অদু নন্নরোই। শারি-শারি, ইফুন ফুনগৎপা, হায়ফম তৌফম খঙদবা শ্বরগী মনম অমা শোয়দনা ফাওবিগনি। মতম অদুদা সনা লৈবাক মণিপুরগা ইন্দিয়াগা অতোপ্পা মফম অমগগী খেন্নবা অদু শোয়দনা থেংনবীগনি।

মখা তানা হায়জরবদা বেঙ্গলোরদসু বেঙ্গলুরু, মদ্রাস হৌজিক্না চেন্নাই, বোম্বে (মুম্বাই), গুৱাহাটি, কোলকটা, দেল্লীদা নুংশিহীদাক, ফদিগোম ফংদবা মফম অমত্তা লৈতে। লোইনা ফংই। মদুসু স্কেল থাঙ্গৎলগা পৱা, পৱা মখায়দা লৌবা হায়বদি লৈবা য়াই। ঐনা খ্বাইদগী ঙক্লিবদি নুংশিহীদাক মখোক ইশং শংই মনম নম্ফাৎতে, ফদিগোমসুনি হাউরবা এঞ্জাংদা ফদিগোম থাক্লগা ফদিগোম নমন নমদবা মফম লৈরি।

হন্দক অসি য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমা তাজে য়ুট্যুবকী খূথাংদা, মণিপুরদা জি-২০গী দেলিগেট ১০০গী মথক্তা লাক্তুনা মণিপুরগী মীয়োক মীচান ফজবা অমদি মখোয়না মালেমগী মফম অমত্তদা থেংনখিদবা কয়া থেংনজরে হায়দুনা থাগৎ ৱারোল কয়াসু থাগৎপীরম্মী। মণিপুরবু করিনো ইথন্ত পংথা থাগৎচবগী ৱাসু নৎচদে শেন্দ্রা চীংথক্তগী য়েংথরকপদা উবা লোক্তাক পাৎকী ফজবা নৎত্রগসু লোক্তাক পাৎতা হি, জহাজ হায়বদি য়াখিরোই মদুদা তোংদুনা লোক্তাক পাৎকা ফজনা পুমশুম শুমহৎখি হায়নসু তাজে। মীরমদমগী ৱা তোকখিসি, মণিপুরদা পোকচবা ঐ ইশামকসু লোক্তাক্কী সেন্দ্রা চীংথক্তগী য়েংথরকপদা পুমঙাও ঙাওখিবনি। মমিংদি পঞ্জরোই হেমাম কুমারগী মোইরাংগী মরুপ কয়া লৈখিবনি। মোইরাং কৈথেল হেক থুংবদা সেন্দ্রা চৎলুরসি হায়রক্কনি। খঙদবনদি হায়রক্কনি "লোক্তাকসিবু করিদা ফজরিবনো ঐখোয়দি শুকয়েং য়েংনীংদে"। মদুদা ঐগী পাউখুম - "টি ভি শেম্বা, গাড়ী শেম্বা, ঘড়ী শেম্বা, রেদিও শেম্বা অমগী ইমুংদা ফজবা টি ভি, গাড়ী, ঘড়ি, রেদিও অমত্তা লৈরপ্লোই, মরী মরাং ৱায়র শমজিন্নরগা য়ান য়ানবা তৌরমগনি। ঐনা লোক্তাক উবা ফংদবা, নখোয়না নুংতিগী উবা অদুনিকো ভাই" হায়রুবদা মখোয় হরাউনা নোকখিবনি।

মমাঙগী হৌরকপদা ইজখ্রে অফং অফংবা লাইরিক পারম্বগী মতাংনি। জি-৩, জি-৫, জি-৭ ঙসিনা জি-২০ ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইনা হিংমিন্নসি, চাওখৎমিন্নসি হায়বগী পান্দমদা মণিপুরদা সম্মিট অমা পাঙথোক্লিবসি থাগৎনীংঙাইনি। মণিপুরগী মীওইশিংনা মখোয়বু তরাম্না ওকপীবগী থাগৎ ৱারোল তাবদা নুংঙাইজে। তৌবতবু ইনভেষ্টরশিংনা শেল থাদরকপদা মুন্নবগী থবক তৌবীরক্নু হায়জনীংই। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১০৬

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

২) মৈদিংঙু পামহৈবা/গরিবনিৱাজ (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮) বুনা শ্রীহট্ট নরসিংহ কিলাদগী থোক্লকপা শান্তিদাস গোশাইনা রামান্দি লাইনীংদা লাইমিং লৌবিরবা মতুংদা খৃ: ৩৩দগী কংলৈপাক কৌরকপা ইরমদমসিবু কোন্না 'মণিপুর' হায়না ওন্থোক্লগা নিংথৌগী মহুত্তা মহারাজ ওন্থোক্তুনা হরাউহল্লগা য়েকপু ময়াং মখোয়গী গোত্রদা ওন্থোকখি। হান্না লাংবন লুক কৎপা কৌরম্ববু "পিতৃ লুক" কৎপা হায়না ওন্থোকখি।

৩) মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা (খৃ: ১৭৫৯-১৭৬২, ১৭৬৩-১৭৯৮) বুনা তেখাওগী নিংথৌ স্বর্গদেব রাজেশ্বরনা 'জয় সিংহ' মিংথোল কৎচখি। (মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা - রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র : খোমজিনবা লমাবম গোজেন্দ্রগী চেমায় ৭০, ৮৩); "চীংমীশিংনা চীংথংখোম্বা, বৃটিশ অমসুং অসামগী মীশিংনা জয় সিংহ, বৈষ্ণবশিংনা কার্ত্তা হায়না মিঙ্গৌনৈ। শ্রী গোবিন্দবু নিরুপন তৌদুনা মহারাস জগোয় কৎপা লাইবক ফবা নিংথৌনি হায়বগী ভাগ্যচন্দ, ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবনি ঋষিগী গুন চেল্লি হায়বগী রাজর্ষি মিংথোল ফংবনি।" (লাইরিকসিমক্কী চেমায় ১১); "নিংথৌসু ওইবা লাইনিংগী ওইবা মরিগসু লৈনবা ঋষিসু ওইবদগী রাজর্ষি মিংথোন পীখি। (চেমায় ৮৩)। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা ঈনাৎ লাইনীং লিচৎতগী খরগা মীরমগী অশেংবা লাইনীং লিচৎতগী খরগা তোৎশিন য়ানশিন্নদুনা লাইনীং মমিং অমগী রাস লীলা জগোয় পুথোকখিবগী মতাংদা লাইরিকসিগী চেমায় লা: ৯, ৭২-৭৩দা য়াওরি। মীরমগা ঈনাৎকা পুনশিল্লগা পুথোকপা জগোয় অসিনা য়েলহৌমী অমা ওইবগী মশক অশেংবা কয়াম তাকপা ঙম্বগে হায়বসিগী পাউখুম পাল্লিবা ৱাহংনি।

৪) চন্দ্রকৃত্তি (১৮৫০-১৮৮৬) মহারাজগী মতমদনা লমদমসিগী হিয়াংথাং লাইরেম্বী ইমাবু মীরমগী লাইরেম্বী দুর্গা অমুক ওইহন, কামাখ্য হায়না থোনজিন্দুনা মীরম লাইনীং লীচৎতা ঈৱাৎ থৌনি থৌরম তৌশিল্লম্ববু হৌজিক্তদি মীরমগী লাইরেম্বী নৎতে খঙনরকপদগী পান্থোইবী ইমা ওইনা পাম্না খুরুম খাজংনবা হৌনরক্লে/পাম্নরক্লে। ইশাসু ইমান্নবা খরগা লোয়ননা চৎলগা হোজংদগী খজিক্তং ওইরোমদা কাখৎলগা লৈবা পান্থোইবী ইমাগী খুভমদা খুরুমজরকখি। মপান নায়বা ফনেক শেৎপিরিবী ইমাদি ঈনাৎকী লাইরেম্বীনি, মীরমগী লাইরেম্বী নত্তে হায়না পুন্না খঙমিন্নসি হায়না থমজরি। মীরমগী ওইরবদি ছারি শেৎকদবনি।

মথক্কী খরখক লৌখৎচবসি নত্তবদা কয়া অমসু লৈরি। মৈতৈগী কুম্মৈদা হিন্দুগী কুম্মৈ ওন্থোকখিবা কয়াগী মরমদা 'সনামহী লাইকন' কৌবা লাইরিকসিগী চেমায় ৬৩-৬৪দা শুগায়না ইদুনা য়াওরি।

অসুম্না মীরম লাইনীং লাইশোন শন্দোকপা পামজখিবা অমদি মীরম লাইনীং লীচৎপু পামজনা লৌখিবা মৈদিংঙুশিংনা ইরমদমসিগী হান্না য়াম্না কুইরঙৈদগী শেংবা লৈজরকপা মখল মখা কয়াবু মীরমগী মনাৎ ওইনবা "ওন্থোকপনা' তঙাইফদবা মশিল/মথৌদাং ওইখিবসিগী ওন্ন-তৈনবদা হৌজিক্তনা ঈনাৎ লাইনীং লীচৎতনা হৌরক্লোনগী অশেংবশিংদা 'ওনশিনবনা' তঙাইফদবা ইশিল/ইথৌদাং ওইরসি। মীনাৎনা 'ওন্থোকপদা' ওইখিবদা ঈনাৎনা 'ওনশিনবতা' ওইবনা - হৌজিক ঐখোয়না তৌগদবসি 'ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন অমদি অচুম্বা ফজবা ঈনাৎকী লীচৎ য়োকখৎতুনা চাওখৎহনবসিনি।' মীনাৎতি ঈনাৎ নত্তবনিনা অথুবা মতমদা খুন্নাইচাশিং ঐখোয় খুদিংমক্না মীনাৎকা মরী লৈনবা খুদিংমক থাদোক্লসি। ঐখোয়সে হৌরকঙৈদা কনাগী অমদি করম্না চাদা নাওদা, শুরোল-শুথাং ওইরকখি হায়বসি খঙনা মালেমদা খোঙ থাংলসি।

হৌদোং হায়বা শাসি মীওইবনা নুংশিনা চাননা মালেমগী য়ূমথোঙ কয়াদা লোয়নরি। অদুবু হৌদোংগী ইকায় খঙদবা অরোনবা শাচৎ অমা লৈ। অদুগুম্বা ইকায় খঙদবা শাচৎ অদুগীদমক হৌদোংবু মপুনা নৎত্রগা হৌদোংদুনা অরোনবা ইকায় খঙদবা লীচৎ চৎপা থেংনরুবদা মীতোপ অমনা থীনা চৈ থাংদুনা তানখ্রবসু মতম খরা লৈরগা হৌদোং হায়বা শাসিগী ফত্তবা, ইকায় খঙদবা, অরোনবা শারমচৎতু হেক্তা মতৌই। হায়রিবা অচুম্বসি খঙদবা মীশিং মালেমদা য়াম্লম্লোই।

মমাঙদসু কয়ারক হন্না মতাং মতাংগী নৈনরকপদা পঞ্জখ্রে মদুদি অশেংবা লাইনীং লাইশোন চৎপা মীওই অমনা মরম চাদনা অতোপ্পা অশেংবা লাইনীং লাইশোন চৎপা মীওই অমবু খক চৈদে/চৈফম থোক্তে। চুম্না মশানা/মখোয়না পামজনা ফৈ হায়না খন্দুনা চৎলিবা লাইনীং লাইশোন্দুগী মরমদা অদু অদাসু হায়রুদে/হায়ফমসু থোক্তে/হায়নদে। অদুবু কনাগুম্বা মান্নদবা ফুরুপ অমনা অতোপ্পা অমদা শেরান্না/অতোপ্পনা শাউগদবা শেমজিন শাজিনবা ৱারোলশিং হায়রুরবা/য়ৈখাই থুগাইদুনা মাঙ তাকহন্নবা থৌরাংশিং তৌরুরবা/অতোপ্পগী লাইগী শঙলেন (মন্দির/চর্চ/মোস্ক) থুগায়রগা মনুংদা লৈবা পোৎ চৈ মাঙহন তাকহনবা, হুরানখিবা, মৈ থাদোকপা তৌহৈদবা ৱাথোক ওইনীংঙাই ওইবা থৌওং কয়া তৌরুরবা/অতোপ্পগী লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা অরিবা মতমদগী লৈরকপা অশেংবা পুৱারীবু শুকখঙ খঙদনা অখঙবা শাদুনা নৎত্রগা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা শারগা অমুকসু তৌগে খন্না লাননা ঙাঙলুরবা নৎত্রগা হায়রুরবা - হায়রিবা থৌওংশিংগী মরক্তগী অমা হেক তৌরুবদা অশেংবা ফুরুপচাশিংনা শোয়দনা শাউরক্কনি। মসি হৌনশানি। "হৌনশা হায়বসি অচুম্বনি। অচুম্বা হায়বসিনা ফজবা ওইহল্লি। অনীসিদগী নুংশিবা/অমগা অমগা নুংশিনহনবা" হায়বসিগী মরু হৌরকফম ওই হায়বসি মখল খুদিংগী লাইনীং পরে চেৎপশিংনা খঙনৈ। মীথিনগাইশিংনদি খঙলোই। অদুনা মসি চাওখৎপা অমদি অশেংবা লাইনীং লাইশোন অমগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা য়াংলেন শরূগুম্বা মচং হায়বদুনি। তাকচবা নৎচদে। খঙহঞ্জনীংবগী ৱাফমনি।

হিন্দুগী মমাঙঙৈ চাওখৎলোন, লাইনীংলোন, চৎনরোল পূম্নমক্কী কান্নরবা অরিবা লাইরিক মহাভারত অফাওবা করম্বা মীশক্লা ইরম্বনো হায়বসি লোইনা খঙনৈ। লৌশিং কয়াগী পুক্কে লনগৈনি। অইবনা লাইফাও চুম্না তৌরম্বনা অপাবশিংনা অমদি মসিগী কুম্মৈ ওইনা পুথোকপদসু অয়েংবশিংনা লাইফাও চুম্না তৌবীরম্বদুগীদমক থাগৎপগী লোইনাইদে। লমদমসিদসু কেগে মোইরাংগী খম্বা থোইবীগী ৱারী মতম লৈবা খিবিক্তা নুংঙাইদুনতা লৈ। লাইফাও মান্নদবা অইবশিংগী ৱারীশিংগী মরুমদা লাইগী অমদি মীগী অনীগী মরক্তা শম্নবা ৱারী পরিং অমমম লোইনা লৈনবা মক্তনি। অনীসি মান্নে হায়বগী ৱাফমদি নৎচদে।

খৃ: কুমশিং ৩৩-১৫৪ শুবদা কংলৈপাকসিদা পানখিবা লাইগী মমৈ মীগী মকোক ওইবা নোংদা লাইরেন পাখঙবা (হৌজিক্তনা ইবুধৌ হায়না লাই ওইনা লাৎনরিবা) দগীনা খৃ: কুমশিং ১৭০৯-১৭৪৮দা পানখিবা মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদা শান্তিদাস গোশাই হায়বা অমা মখোঙনা থোংনা ইরমদম কংলৈপাক কৌরকপসিদা লাক্লবা মতুং কংলৈপাকপু মখোয়গী মরোলদা লৈবদু ঐখোয়গী ইরোলদা লোনয়ান ওইনা 'মণিপুর'; মৈদিংঙু পামহৈবগী মমিংবুনা 'গরিব-নিৱাজ'; কংলৈপাক্কী ৭শুবা মৈদিংঙু নাউখম্বা (খৃ: ৪১১-৪২৮) না ইবেম্মা য়াওরৈমা চনুগা লোয়ননা কংলৈ ফম্বাল তোংবা মতমদা পিবারেনবু 'নিংথৌ' হায়না কৌদুনা ফম্বাল তোংবদগী/কাবদগী 'পিবারেলগী মহুত্তা নিংথৌ' হায়না কৌবা হৌরকখিবসিবু মৈদিংঙু পামহৈবগী সনা হাক্তক্তা শান্তিদাস গোশাইনা "নিংথৌবুনা মহারাজ, লৈমরেম্বী গোমতিবু মহারানি" হায়না ওন্থোকপদা পেন্দদনা মখোয়গী মরমদা চৎনবগুম কংলৈপাক/মণিপুরসিদসু মপূং ফাহন্নবা মৈহৌরোলদগী হৌনা কংলৈপাক্কী চৎনবী হৌজিক ফাওবদা ওইরিবা য়েক সলাইবু 'গোত্র' হায়না ওন্থোক্লবা মতুংদা অমুক মীরম মখোয়গী লোনয়ান ময়াম অমা - 'সূর্য্য বংশ, চন্দ্রবংশ' নচিংবা হায়না পুশিল্লক্তুনা হিন্দু মখোয়গী মরমদমগী শরুক অমা ওইহন্নবা হোৎনরকখিবা পুৱারীনা খুদম ওইনা লৈরি। ●